HUEIYEN LANPAO

লোট্টরি, টেন্দর থিংলে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :

উৎলৌ মমাঙ লৈকায়গী য়ং লানর্স স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না কন্টেনমেন্ট জোন হেনগৎলকপদগী ৱারবা মীয়ামগীদমক য়েংলগা মাইক্রো ফাইনান্সশিংগী কল্লেক্সন, লোট্টরি অমদি টেন্দেরনচিংবশিং ঙসিদগী হৌনা য়ুনিয়ন অসিনা থিংজিল্লে হায়রি।

হোকর কোবগী মিংদা তেংবাঙ...

লামায় ১গী মখা... শেনফমসু মতেং ওইনা পীদুনা লাক্লি হায়খি। হন্দক মশাগী তোলোপ হেক ফংবগা অহলশিংগী পীথোকফম থোক্লবা পেন্সনগী শেনফমশিং পীথোক্লগনি হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা তেংবাঙশিং পীজরিবা অসি মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপগী মিংদা পীজবনি। হোকর এসোসিএসনদসু মহাক্কী অপোকপগী মিংদা কৎচবনি হায়বগা লোয়ননা পীজরিবা তেংবাঙশিং অসি মহাক্না থবক তৌরিবা ফাওবদি লেপ্তুনা পীজখিগনি হায়রি।

হুরানবা অমা ফারে...

*লামায় ১গী মখা...*হাপচিন্দুনা থম্বদগী মহাক্না হুরাল্লকপদা য়াওরকখিবনি হায়রি। গাড়ী অদু মহাক্না এপ্রিল ৩০গী নুংথিল পুং ২.৪৫ রোম তারকপদা ঘড়ী মমাঙ লৈকায়দা লৈবা মহিন্দ্র সো রুমগা নক্লনা লৈবা লিঙেল ওফিসকী মমাঙদগী হুরাল্লকখিবনি হায়রি।

মহাক্না ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না গাড়ী অদু মহাক্কী লৈকায়দা লৈমিন্নবা সিঙ্গাময়ুম ইমরান খান (২৬), অপোকপা রিয়াজ খান কৌবা অমগা পুন্না হুরানমিন্নরকখিবনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস এফ আই আর নম্বর- ৩৬(৫)২০২১ অন্দর সেক্সন-৩৭৯/৩৪ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.013020
US Dollar	73.891905
British Pound	102.576466
Australian Dollar	57.171400
Chinese Yuan Renminbi	11.414984
Japanese Yen	0.675933
Malaysian Ringgit	18.001250
Singapore Dollar	55.497377
South Korean Won	0.065786
Saudi Arabian Riyal	19.704508
Thai Baht	2.369518

GAS NEWS

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking up-to 17/03/21
Valid from 13/03/21
Home delivery only....
Contact no.9089709738, 8794622868
Office timing 8.00AM to 11AM will be delivery for 3days

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Booking : 25-4-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo .
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30
Adminstrative Office close on Sunday and holiday. Also Encouraged online payment. Those who haven't received within the aforesaid time please show the second copy or personal copy and along with mobile phone. also available 19kg and 5kg. In view of contentment zone the describe format can be send under whatApps no. 9612718751

KHUMBONG INDANE
Booking upto 09-03-21
Only home delivery (within 3 days)
Office no. 9774068549
Home delivery contact no. 7005013837
Whatsapp no. 8794973019
Time 7.30am to 11.am

KHONGNANG GAS AGENCY, BISHNUPUR
Booking upto: 28/04/2021
Valid from: 17/04/2021
Please Contact mobile no. 7085412234
Time: 7:30 am to 10:30 am

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING upto 17-03-2021
VALID FROM 13-03-2021
STK 306
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 04-05-2021
CONTACT NOS :- 7005695308, 6009772483

HIYANGTHANG INDANE.
Booking 07-03-21.
Valid 06-03-21.
Stk.-306.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 7085557686

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO : 02/02/21
Sl .No. 01 to 100
Valid from : 01/02/21
Time: 07am to 10 am
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মফম তরুক কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার কেঙ্গু জুরিংলানা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী লায়না অসিদগী ঙাকথোকহৌনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম তরুকপু কন্টেনমেন্ট জোনশিং ওইরে হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না কন্টেনমেন্ট ওইরে হায়দুনা লাউথোকখ্রবা মফমশিং অদুদি ককচিং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর ১ (নোংপোক্তা কমলা পরেং, নোংচুপতা সেকমাই তুরেল, অৱাংদা লৌবুক অমসুং মখারোমদা মান্তক চীং) নি, লাইথগোল লৈকায় (নোংপোক্তা ইলেক্ট্রিক ট্রান্সফোর্মর, নোংচুপতা সেকমাই তুরেল, অৱাংদা থগোল কৈথেল, মখারোমদা সেকমাই তুরেল), ককচিং লমখাই কৈথেল (নোংপোক্তা ককচিং লমখাই ইরিগেসন ৱাটর প্রোজেক্ট, নোংচুপতা লৌবুক, অৱাংদা ডা. কে এস ঐচ মেমচাগী য়ুম অমসুং মখারোমদা লৌবুকনি), ককচিং নিংথৌ লৈকায় (নোংপোক্তা কোওপরেটিভ বেঙ্ক পরেং, নোংচুপতা এ ও সী পরেং, অৱাংদা এন ঐচ-১৩৭-এ, ককচিং কৈথেল মেন রোদ অমসুং মখারোমদা নিংথৌ লৈকায় মান্দপকী লম্বী), ককচিং মখা লৈকায় (নোংপোক্তা নাওদম পরেং, নোংচুপতা রাজধানি পরেং, অৱাংদা কৈথেল মচাগী লম্বী, নাওদম কৈথেল অমসুং মখারোমদা পঞ্জাওদগী মখা লৈকায় লম্বী ফাওবনি) অমসুং ককচিং চুমনাংগীনা (নোংপোক্তা এস বি আই ককচিং, নোংচুপতা লৈবাক্লে গ্যাস ওপোজিৎ পরেং, অৱাংলোমদা সেকমাই তুরেল অমসুং মখারোমদা এন ঐচ-১৩৭-এ, বর্মা-শুগনু রোদ) ফাওবনি হায়রি।

কন্টেনমেন্ট জোনশিং অসি মণিপুর ইপিদেমিক দিজিজেজ, কোভিদ-১৯ রেগ্যুলেসন্স, ২০২০গী পেরা নম্বর ১২গী মখাদা লাউথোকপনি হায়রি। কনাগুম্বা লন্নাই মীওই/ইনষ্টিট্যুসন/ওর্গনাইজেসনশিংনা কন্টেনমেন্ট জেননি হায়দুনা মফমশিং অসিগীদমক লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসিবু থুগায়রক্লবদি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১৮৮ অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ৫১গী মখাদা চৈরাক পীগনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী কন্ট্রোল রুম

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্নরক্লিবা অসিগী য়েংলদুনা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ মক্তা কোভিদ কন্ট্রোল রুমশিং মথৌ তৌবা হৌখ্রে। কন্ট্রোল রুম অসিগী নম্বরশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট- ৬০০৯১৯৮৩৩৪, বিষ্ণুপুর- ৭০৮৫৪১১৫৫৬, থৌবাল- ৯৮৬২২৬৭৫৫২, চূড়াচান্দপুর- ৭৬২৮০০৭৪৭৭, তেংনৌপল- ৮২৫৬৯৪৪৩৪২, কামজোং- ৭৬৩০৮৮৪৮২৯, উখ্রুল- ৬৯০৯৯৫৯৩৭৬, ককচিং- ৭০০৫১৭৬৭০৪, তমেংলোং- ৯৪০২৬৭৯৮৫১, কাংপোকপী- ৮৯৭৪৪০৩১৪৯, ফেরজোল- ৯৮৬২১০২৫২৯, ইম্ফাল ইষ্ট- ৭৬৩০০৭৬৩৯১, চান্দেল- ৮৪১৫৯২৭৮২৪, নোনে-৮৯৭৪৬০৬০৫৭, সেনাপতি- ৮৮৩৭০৪৩৭৯২ অমসুং জিরিবাম ৭০৮৫৩৪৪৭৭৬নি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :

য়াইফ লমজিং কাংলুপ (ৱাই এল কে) চিঙারেল তেজপুরগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ঙাঙবম ইবোৎ মৈতৈনা মশাগী অনাবা অমদগী হৌখিবা মে ২দা তাইবঙ মপুগী খুয়া তিনখি। মহাক্না লৈখিদবদা ৱাই এল কেগী থৌমীশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোন্দা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা হায়দুনা ক্লবকী থৌমীশিংনা তাইবঙ মপুদা থৌনিজখ্রে। লোয়ননা মহাক্কী লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

পোজিটিভ মশীং হেনগৎলক্তুনা ৩৬২...

লামায় ১গী মখা... আর দি ৱিংদগী ২, রাজ মেদিসিটিদগী ১ অমসুং শিজ হোস্পিটালদগী ৩ নি হায়রি। ঙসি ফাওবদা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৩২,৫২৩ য়ৌখ্রে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনা ২৮,৯৩৮নি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৫৮৫নি হায়রি। অদুম ওইনমক লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলকখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ঙসি ফাওবদা ৩০,০৩০ শুখ্রে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৬,৫৬৮ ওইরগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৪৬২নি। অদুবু অপূনবা মণিপুরগী এক্টিভ কেসশিংগী মশীংনা ২,০৭১ য়ৌরক্লে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১,৯৫৩ ওইরগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ১১৮নি। লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা পোজিটিভ ওইহল্লবা কেসশিংগী মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলকপনা মসিদগী ফগৎলকপগী চাংসু চাদা ৯২.৩৩ হন্থরকখ্রে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, এপ্রিল ২৫, ২০২১দা ইন্দিগো ফ্লাইট নম্বর ৬ঈ-৬১৮১গী রো ১৬-২১ অমসুং ফ্লাইট নম্বর ৬ঈ-২১গী রো ২৯-৩৫তা তোংলকখিবা পেসেঞ্জরশিংনা পন্থদনা কন্মন কোভিদ কন্ট্রো রুম (১৮০০৩৪৫৩৮১৮) নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসর (দি এস ও)শিংদা পাউ ফাওরক্কদবনি হায়রি।

লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরদুনা পোজিটিভ ওইবা কেসশিংগী মশীং খক্তা নত্তনা মসিনা মরম ওইদুনা শিহনবা মীগী মশীংসু ৭তা হেনগৎলক্লবসু ঙসি ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা মণিপুরগী অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ২,০৯,০৭৪ শুখিবগা লোয়ননা মশাগী চহী ৪৫ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা মীওইশিং রিমস, জেনিমস, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং, সী ঐচ সী, পি ঐচ সী অমসুং খনগৎলবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা পন্থদনা হিদাক কাপথোক্লবসু খঙহল্লক্লি।

নন্দিগ্রাম মীয়ামগী অপাম্বা তরাম্না ওকই, ৱেষ্ট...

*লামায় ১গী মখা...*অনী লৈদুনা মমতা বেনর্জিনা ইলেক্টেদ কেন্দিদেট অমা ওইদ্রবসু চীফ মিনিষ্টর ওইরকপা য়াবগী খুদোংচাবা ফংলোইদবা ওইরগসু কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ১৬৪গী এম এল এ নত্তবা মীওই অমনা থা ৬ চীফ মিনিষ্টর ওইবগী অয়াবা পীরিবনা মমতা বেনর্জিনা মহাক্কী নন্দিগ্রাম এ সীদা মায়থীহৌরবসু থোইদোক্না নুংনাংবা পোক্ত্রি। মসিগী মথক্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অপূনবা সিট ২৯৪গী মনুংদা হৌজিক মীখল পাঙথোক্কদবা সিট ২ ৱাৎলিবনি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বি জে পিনা সিট ৭৭ খক্তমক ফংবা ঙমখিবনি। অদুগা তামিল নাদুগী অপূনবা সিট ২৩৪গী মনুংদনা দি এম কেনা সিট ১৩৩ ফংলগা এ আই এ দি এম কেনা সিট ৬৬ ফংখি। ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেসনা সিট ১৮ ফংলগা বি জে পিনা শুপ্নতগী সিট ৪ খক্তমক ফংদুনা ৫শুবা পোজিসনদা লৈখি। অদুম ওইনমক তামিল নাদুগী বি জে পিগী প্রসিদেন্ট এল মুরুগাননা ইলেক্সনগী রিজল্ট ফংলবা মতুংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা মহাক্কী ষ্টেট অসিদা চহী ২০গী মতুংদা বি জে পিনা অমুক হন্না সিট মরি ফংবা ঙমদুনা তামিল নাদুদা থন্বাল শাৎহল্লে হায়খি।

পনবা য়াবদি কুমজা ১৯৯৬তা পাঙথোকখিবা ষ্টেট অসিগী এসেম্ব্লী ইলেক্সনদা শুপ্নতগী বি জে পিগী মীরেপ অমখক্তমক মায় পাকখিবনি। অদুগা কুমজা ২০০১দা পাঙথোকখিবা মীখলদনা পার্টি অসিগী মীরেপ মরি মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ঙসি লোইশিনখিবা কাউন্টিং অদুগী মতুংইন্না বি জে পিগী মায় পাক্লবা মীরেপশিং অদুদি মোদাকুরিচি এ সীদগী সী. সরস্বাথি, নাগেরকোইল এ সীদগী এম আর গান্ধী, কোইম্বাতোর সাউথতগী ভনাথি শ্রিনিভাসন অমসুং তিরুনেলভেলি এ সীদগী নাইনার নাগেনথ্রননি হায়খি। ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী ওইনা পুন্না মীরেপ ২০না লাম্বা তৌনখিবনি।

অসামগী ওইনা ভোট মশীং থিবা পুল্লোই লোইশিনখিবদা রুলিং বি জে পিনা অপূনবা সিট ১২৬কী মনুংদা সিট ৬০দা মায় পাক্তুনা পার্টি অসিগী মপাং পার্টিশিংগা অমুক্না হন্নবা চুংশিন্নদুনা অনীরকশুবা এন দি এগী লৈঙাক অমা লিংবগী ওইথোকপা লৈখ্রে। ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেসনা সিট ২৯, এ আই য়ু দি এফনা সিট ১৬, এ জি পি সিট ৯ অমসুং বি আর এফনা সিট ৪দা মায় পাকখিবনি।

অসামগী ওইনা মায় পাক্লক্লবা বি জে পিগী মরুওইবা মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা জালুকবারি এ সীদগী হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মা, পটাচারকুচি এ সীদগী বি জে পিগী প্রসিদেন্ট রঞ্জিৎ কুমার দাস য়াওখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালসু ইষ্টর্ন অসামগী মাজুলি আইলেন্দদগী অমুক হন্না মায় পাকপা ঙমখ্রে। হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা মহাক্কী থংন-থংননা মায় পাক্লকপা মঙারকশুবা টর্মগী ওইনা মহাক্না লাম্বা তৌনখিবা কোংগ্রেসকী রোমেনচন্দ্র বোরথাকুরদগী ভোট মশীং য়াম্না হেন্দুনা মায় পাকখি। ষ্টেট অসিগী স্পিকরসু ওইখিবা বি জে পিগী মীরেপ হিতেন্দ্রনাথ গোস্বামি, ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর চন্দ্রমোহোন পাতোৱারি, ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর পরিমাল সুক্লা বাইদ্যা, লো মিনিষ্টর সিধার্থা ভট্টচার্য্য, হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল মিনিষ্টর রঞ্জিৎ দত্ত অমদি অর্বান দিভেলপমেন্ট মিনিষ্টর পিজুস হজারিকাসু মাগী মাগী এসেম্ব্লী সেগমেন্টশিংদগী মায় পাকখ্রে।

অসামদা বি জে পিনা লুচিংবা অনীশুবা লৈঙাক লাকপগী ফীভম লৈরবসু পার্টি অসিনা কুমজা ২০১৬তা থেংনখিবা মীখল অদুগা য়েংনরুরবদি হন্দক্কী মীখল অসিদদি সিট ১১ হন্থনা মায় পাকখি। অমরোমদনা কুমজা ২০০১দগী ২০১৬ ফাওবা চহী ১৫ চুপ্না লৈঙাক পায়রক্লবা মতুংদা তুখিবা কোংগ্রেসকী ওইনদি ২০১৬তা পাঙথোকখিবা মীখলদা মায় পাকখিবা সিট মশীংদগী হন্দক্না সিট ৩ হেনগৎলগা পুন্না সিট ২৯দা মায় পাকপা ঙমখি। লোয়ননা ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা ‘মহাজোট’ (গ্রান্দ এল্লাইয়েন্স)কী পার্টনর অমা ওইরিবা ওল ইন্দিয়া য়ুনাইটেদ দেম্মোক্রেটিক ফ্রন্টনা মমাঙগী মীখলদা সিট ১৩ খক্তমক ফংবা ঙমখ্রগসু হন্দক্কী মীখলদদি সিট ১৬তা মায় পাকখি। অদুম ওইনমক বোরোলেন্দ পিপলস ফ্রন্টনা মমাঙ মীখলদা সিট ১২দা মায় পাকখ্রবসু হন্দক্তি সিট ৪ খক্তদা মায় পাকখিবগা লোয়ননা সী পি আই (এম)না শুপ্নতগী সিট ১ খক্তমক ফংখি।

ষ্টেট অসিদা জেলদা লৈরিবা রাইজোর দল (আর দি)গী প্রসিদেন্ট অখিল গোগোইনা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা শিব সাগর এ সীদা লাম্বা তৌনখিবদা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্নবা বি জে পিগী মীরেপ সুরাবি রাজকোনৱারিদগী ভোট ১১,৮৭৫ হেন্দুনা মায় পাকখি।

ঙসি ষ্টেট মঙাগী ইলেক্সনগী কাউন্টিং লোইশিনখিবদা পুদুচেরিগী ওইনা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এগী মপাং ওইরিবা এ আই এন আর সীনা সিট ১০, বি জে পিনা সিট ১০, দি এম কেনা সিট ৬, কোংগ্রেসনা সিট ২ ফংখি। অদুগা কেরলাগী ওইনা সী পি এমনা অপূনবা সিট ১৪০গী মনুংদা সিট ৬২ ফংলগা কোংগ্রেসনা সিট ২২ ফংদুনা অনীশুবদা লৈখি।

পোপী পান্বীশিং থাজিন্দুনা মাঙহল্লবা চীংগী লমশিং...

লামায় ১গী মখা... থবকশিং লৌখৎপীগদবনি। থবকশিং অসি পায়খৎলক্লবা ফাওবদসু মণিপুরগী মহৌশাদগী লৈজরকখিবা চীংগী ফীভমশিংদা অদুদা অমুক হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা চহী ২০/৩০ চঙখিগদৌরিবনি। অদুবু মতম কুইনা শাংনা চঙগনি হায়দুনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতনা লৈথোকপদি চুল্লোই। মতম শাংনা চঙগদবা ওইরবসু হৌজিক্তগী পন্থদনা লৌখৎলবদি ঙসিগী মীরোলদা খজিক্তং ওইরবসু শাফহনবগা লোয়ননা তুংগী মীরোলশিংগী পুন্সিদদি লৈতানা হিংবা ঙমহৌগদৌরিবনি।

পোপী মোনো কলচর অসি মুখৎনবা মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুর ষ্টেট দ্রগস পোলিসিগী মনুংদা য়াওরিবা রিসার্ছ তৌবগী প্রোভিজনশিং অদু য়াম্না থুনা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি। পোপী পান্বীশিং পাক্তক্লনা থাবগী চৎনবী অসি অচেৎপা খোঙফম অমগা লোয়ননা মরু ফংনা মুখৎকদবনি। মসি নৎত্রবদি শুপ্নতগী য়ান্থৎপা খক্তংনা ফংনিংলিবা পান্দম অদু ফংবা ঙল্লোই। হায়রিবা থবকশিং অসি লৌখৎলকপদা মণিপুরগী লৈজরিবা চীংগী শরুকশিংগী মনুংদা করম করম্বা মফমশিংবু রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াগী মনুংদা চল্লিবগে হায়বসিসু মশক খঙদোক্কবনি। লোয়ননা রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা চোংশিল্লকপা এনক্রোচরশিং পুম্নমক ইভিক্সন তৌগদবনি। থবক অসি ষ্টেট অসিগী অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দনা ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক লৌখৎলকপা অচৌবা অমসুং মরুওইবা থবক অমনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইদুনা পায়খৎলক্কদবনি।

পোপী মোনো কলচর অসি নত্তবা মসিগী মহুৎতা ফর্মা কলচর মেথোদ শীজিন্নহন্দুনা ফর্মিংগী ওইবা অতোপ্পা থবক থৌরমশিং পায়খৎহনবা য়াই। মরমদি কল্টিভেটর অমসুং ফার্মর হায়রিবা মীওই মখল অনীসিগী মরক্তা য়াম্না চাউনা খেন্নবা লৈ হায়বসি পুম্নমক্না খঙমিন্নগদবনি। পোপী ফার্মরশিংনা মখোয়গীনি হায়বা মফমশিংদা তৌবা পোপী ফার্মিংদা লায়রবা, নোংমগী খুৎশুমলনা হিংজবা কল্টিভেটরশিং অৱাইমল পীদুনা শীজিন্নবীবনি। অদুগা পোপী পান্বীশিং পাক্তক্লনা থাবা হায়বসি মীচঙ শঙ্গ লৈজদবা অমসুং লায়রবা কল্টিভেটরশিংনা তৌবা ঙম্বা নত্তে। চীংগী অকক্লবা ফুরুপ অমগী ওইনসু পোপী পান্বীশিং থাবগী থবক অসি খুল অদুগী খুল্লাকপগী অয়াবা য়াওদনা থাবসু য়ারোই। পোপী পান্বীশিং থাবা মতমদা লায়রবশিংবু কল্টিভেটর ওইনা শীজিন্নবীবা খক্তা নত্তনা মসিদগী ব্রাউন সুগরগীদমক মেন্যুকচরিং তৌরকপদসু লায়রবা লেবরশিংনা সিজনেল কন্ট্রেক্ট লেবরশিং ওইনা শীজিন্নবী। মসিদসু হিংনবগীদমক লাম্থেংনরিবা লেবরশিংগী মায়কৈদগীদি মখল অমত্তগী প্রোটেষ্ট তৌজবা ঙমদে। ইকো সিষ্টমদা কায়হল্লিবা পোপী ফার্মিংগী থবক অসি তশেংনমক কাষ্ট ক্রোপ মোনো কলচরগী মোদেলনি। মসিমক্না কম্পোজিৎ ইকো সিষ্টমদা চাউনা অকায়বা পী। হায়রিবা থৌওং অসিমক্না চীংগী মফমশিং অদুদা হৌরম্বা হৈপাল-লৈপাল অমদি মনা-মশিংশিং মাঙহন-তাকহনবগা লোয়ননা মখোয়গী মপাল তাঙদুনা হিংজরম্বা উচেক-ৱায়া অমদি শা-ঙানচিংবশিংগী বাইও দাইভর্সিটিদসু ইমবেলেন্স থোকহল্লকই। পোপী পান্বীশিং অসি ঝুম ফার্মিং মেথোদতা থাবনি। মফম অমদা সিজন অহুম্লক্তা পোপী পান্বীশিং থারম্লবা মতুংদা অতোপ্পা মফম অমদা অমুক হোংদোকখি। মসিনা মখোয়না দিফোরেষ্ট্রেসন তৌদুনা উমং মাঙহনবগী অচৌবা থবকশিং চৌথে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

নাকল অমরোমদনা, থারিবা পোপী পান্বীশিং মপুং মরে ফাহন্দুনা মায় পাক্না লোকপা য়ানবগীদমক ফর্টিলাইজর অমদি পেষ্টিসাইদ অমসুং অতৈ কেমিকেল ময়াম শীজিন্নবনসু হূ চেলহনবগী থৌওং ওইরকই। হায়রিবা কেমিকেলশিং অসিগী কন্টামিনেসন তৌরবা ঈচুমশিং অদুনা ৱাটর সোর্ছশিংদা য়াওদুনা চেন্থরক্লগা ঈশিং খোং, তুরেল অমদি পাৎশিংদা অমুক তাশিল্লক্তুনা মফমশিং অসিদা লৈরিবা ঈশিং পুম্নমক কন্টামিনেটেদ ৱাটর ওইহল্লকই। মরম পুম্নমকশিং অসিনা পোপী পান্বীশিং থাবগী থৌওং অসিনা মীয়ামদা দাইরেক্ট অমসুং ইনদাইরেক্ট ওইবা নেগেটিভ ইম্পেক্টশিং চাউনা পীরকই। মসিগী মথক্তা নোংজুথাগী মতমদনা ঈশিং-ঈচাউ থোকহনবদা মতেং পাংই, লৈহাও চেলহন্দে অমসুং চীংগী শরুক ফাওবা নীংখায়হল্লকপদা মতেং ওইরকই হায়নসু ডা. মালেম নিংথৌজানা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

হায় কোর্টনা ম্যান্মার নেসনল ৭তা...

লামায় ১গী মখা... হায় কোর্টনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদু মশামকসু এদভোকেট ওইবদা নত্তনা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট অমসু ওইরিবী নন্দিতা হক্সরনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (ক্রিমিনেল)-৬ ওফ ২০২১ অমসুং মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ু পি-ক্রিল) ১ ওফ ২০২১ অমসুং ২ ওফ ২০২১বু পুল্লপ শুপচিল্লগা লাউথোকখিবা জজমেন্টকী মতুংইন্না পীখিবনি।

ঙসি কোর্টনা মেট্টর অহুম্মকসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর লাউথোক্ন বগীদমক লৌখৎলকপা মসিগী পিটিস্নরশিংসু ওইরিবী নন্দিতা হক্সর মশামক্না কাউন্সেল ওইদুনা লেপখি। নন্দিতা হক্সর মশাগী চহী ৬৮ রোম শুরে। গোৱাগী পনাজিগী ২০৩-গেরা এষ্টোরিয়া করান জালেমদা লৈবা সেবাসিয়ন হোঙ্গ্রেগী লোয়নবীনি। হৌজিক্না মহাক ইম্ফালদা লৈরক্লিবনি। মহাক্কী ক্রিমিনেল রিট পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি, তেংনৌপলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার, য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদনা হোম মিনিষ্ট্রি, মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স অমসুং য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সনি। কোর্টনা মেট্টরশিং অসি এপ্রিল ২৯দা লৌখৎতুনা মসিগী হিয়রিং চথখিবা মতমদা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ১ অমসুং ২গী মায়কৈদা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট আর কে উমাকান্তনা লেপ্লগা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর- ৩, ৪ অমসুং ৫গী মায়কৈদনা এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল এস সুরেশনা লেপখি। নুমীৎ অদুদা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা মেট্টরশিং অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি লাউথোকখিবনি।

হায় কোর্টকী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না ম্যান্মারদা থোক্লিবা ঈরাংনা মরম ওইরদুনা মণিপুরদা লাঞ্জেল্লকখিবা জর্নেলিষ্ট পাও খান থোন, চিন সান লুন, সি থু ঔং অমসুং নিয়াং গো মেন য়াওনা চহী ১০ অমসুং ৯গী নুপামচা অনী অমসুং চহী ৫গী নুপীমচা অমবু মখোয়না য়ু এন ঐচ সী আরদগী রিফ্যুজি অমা ওইবগী প্রোটেক্সন লৌনবগীদমক ইম্ফালদগী দেল্লী তম্না চৎপদা মখল অমত্তগী অথিংবা পীদনবা খঙহনখি। মখোয়না ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী দেল্লী তম্না এরোপ্লেনদা চৎপা ঙম্নবগীদমক ইম্ফাল এয়রপোর্টতা লৈরিবা এফ আর আর ওদসু মখোয়গী টেম্পররি আইদেন্টিফিকেসন কার্দশিং পন্থদনা ইস্যু তৌনবসু খঙহনখি। লোয়ননা কেস অসিগী পিটিস্নর ওইরিবী নন্দিতা হক্সরগী মায়কৈদগী মখোয়গী এয়র টিকেট ককপা অমসুং দেল্লীদা মখোয়গী লৈফম চাফম এরেঞ্জ তৌনবগী থবকশিংসু পাঙথোক্লবা খঙহনখি। লোয়ননা ম্যান্মারগী নেসনল ৭না দেল্লীদা হেক থুংবগা মখোয়গী মমিং মথা লৈফমনচিংবশিং পার্লিয়ামেন্ট ষ্ট্রিট পুলিস ষ্টেসন নৎত্রগা মখোয়না লৈগদবা দেল্লীগী মফম অদুবু কোনশিনবা পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জতা রিপোর্ট তৌনবা দিরেক্সনসু পীখি।

পনবা য়াবদি, ম্যান্মারদা মিলিটরি জুন্টানা কু তৌবদগী লৈবাক অদুগী মীদিয়া অমসুং ন্যুজ সর্ভিস অমা ওইরিবা ‘মীজিমা’বু মিলিটরি জুন্টানা থিংজিনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মীদিয়া হাউস অসিগী মীওই খরসু ফাবা পুনবা চথরকপদগী মসিগী রিপোর্টর/ভিদিও জর্নেলিষ্টনচিংবা ওইদুনা থবক তৌরক্লিবা মীওইশিং অসি মণিপুরদা লাঞ্জেল্লক্তুনা চঙজফম লৌরকখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা জজমেন্ট অদুবু সিটিজেন্স কম্মিটি মণিপুর (সী সী এম), থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকায়গী কনভিনর বব্লু লোইতোংবমগী মায়কৈদগী তরাম্না ওক্লকপগা লোয়ননা ম্যান্মার নেসনল ৭ অদু হায় কোর্টনা এপ্রিল ২০দা ওর্দর পীদ্রিবা ফাওবদি মোরেদা লোৎতুনা লৈরকখিবনি। অদুবু হায় কোর্টকী ওর্দর ফংলবা মতুংদা ইম্ফালদা লাক্তুনা লৈরখিবনি হায়রি।

বরাক থোং পৈথরকপদগী গাড়ী...

লামায় ১গী মখা... নেসনল হায়ৱে এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল)গী মায়কৈদগী তৎখ্রবা য়োৎলিশিং শৌজিন্দুনা শেম্বগী থবক কন্না চথুরি। অদুবু ঙসি নুংথিল অথেংবা ফাওবদদি মপুং ফানা শেমজিনবা ঙমদবদগী ট্রকশিং অদু অদুম্মক পন্দুনা লৈরি হায়রি।

পন্দুনা লৈরকপা নুমীৎ নীনি শুজিল্লক্লবা ট্রকশিং অদুগী দ্রাইভরশিংনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, লম্মাংদা অহিং য়ারেক্তুনা লৈরকপগী খুদোংচাদবগী মথক্তা লম্বী মপালদা খামদুনা লৈরকপনা উফুল-ৱাইফুলশিংনা চাক-ঈশিং চাবদা খুদোংচাদবা থোকহল্লে। মফম অদুদা টোইলেটনচিংবগী খুদোংচাবসু লৈবা মফম নত্তে হায়রি। মসিগী মথক্তা বরাক থোং মনাক্কী লম্বীগী শরুকশিং কোয়লাস থাবা লম্বী ওইদবনিনা নোং খজিক্তং তারকপদসু লম্বী ময়াইদা ঈশিং চেল্লে। হান্নগী অরিবা বরাক থোংদদি লাইট ভেহিকল খরবুদি লাইবক য়েংদুনা লাম্থোকপা য়াওরি। অদুবু পোৎচৈ পুরকপা ট্রকশিংদদি মসিগী খুদোংচাবা লৈত্রে হায়রকখি।

দ্রাইভরশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, নৌনা শাগৎলিবা বরাক থোং অসি লোইশিন্দ্রিঙৈগী মরক্তা হান্নগী অমনবা থোং অসিদা টন ২৪দগী হেন্না লুম্বা ট্রকশিং লান্দনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়রবসু দ্রাইভর খরনা ৱাফম অসিগী মায়োক্তা টন হেন্না লুম্না পুরগা লাম্থোক লানশিন তৌবদগী কোহ্লিং কারক্লবা থোংসিগী য়োৎলিশিং তৎপনি হায়রি। ইম্ফাললোমদগী জিরিবাম তম্না লাকখিবা অহাংবা ট্রক ৩০ রোমগী মনুংদা খরদি বরাক তুরেলগী ঈশিং ঈমায় নেম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা তুরেল খোংনুংদা থৌদরগা লাম্থোক্তুনা চৎনখিবা য়াওরে হায়রি।

মরম পুম্নমকশিং অসিনা অথুবা মতমদা লাম্থোক লানশিন য়াদনা লৈরক্লিবা বরাক থোং অসি শেমজিনবীদুনা পন্দুনা লৈরিবা গাড়ীশিং অসি লাম্থোরকপা য়ানবা হোৎনহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি। হায়ৱে অসিগী মনুংদা খোংশাংদগী বরাক ফাওবগী মরক্তা লৈবা লম্বীগী ফীভম অসিসু কা হেন্না শোকচিনবদগী পুখ্রিদৌনা লৈরিবা অকুৎপশিং থৈদোক্লগা চৎনবা হোৎনবদা দ্রাইভরশিংনা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লুরি। অদুগা বরাক অমদি ন্যু কৈফুন্দাইগী মরক্তা লৈবা হায়ৱেগী শরুকশিং অসিসু কা হেন্না ফীভম ফৎতবনা চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদ্রি। ইরং থোংগী মনাক্তা লৈবা লম্বীগী শরুকশিংসু হায়ৱেনি হায়বা য়াদবগী ফীভমদা ফৎত্রে হায়বগা লোয়ননা পন্দুনা লৈরিবা দ্রাইভরশিংনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মীৎয়েংসু চিংশিল্লক্লি।

কোর্টশিংদা ঈ-পেমেন্ট সিষ্টম চৎনহন্নবা হায়...

লামায় ১গী মখা... খুদোংচাদবা মায়োক্লুরক্লে। মরম অসিনা তঙাইফদনা হকথেংননা চঙবা দিনোমিনেসন অমগী ষ্টাম্প ফংদবদগী মসিগী মহুৎতা মমল হেনগৎপা অতোপ্পা দিনোমিনেসনগী ষ্টাম্পশিং লৈদুনা ফাওবা শীজিন্নবা য়াওরক্লে হায়রি। হায়রিবা খুদোংচাদবশিং অসি মায়োক্লুরকপদগী ওল মণিপুর বার এসোসিএসন্না কুমজা ২০১৭তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পি আই এল অমা ফাইল তৌদুনা ৱাকৎপা লৈখ্রে। অম্বাগী ৱাকৎ অদু কোর্টনা পি আই এল নম্বর- ৩২ ওফ ২০১৭ ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা খন্নখি। অদুগা মেট্টর অদু খন্নরবা মতুংদা পি আই এল অদু জুন ১৯, ২০১৮দা ক্লোজ তৌশিনখিবনি।

হায় কোর্টনা মেট্টর অদু খন্নরকপদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট জেনরেলনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঈ-ষ্টাম্প চৎনহনবগী সিষ্টম হৌদোক্লবা খন্নরি হায়বা ৱাফম কোর্টতা থমখিবনি। অদুবু হায়রিবা থবক অদু ঙসি ফাওবদা চৎনরক্তবগা লোয়ননা হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী খুদোংচাদবশিংসু মায়োক্লরিবনা ষ্টাম্প মখল অনী অসি শীজিন্নগদবা মতমদা ফংবা ঙমদ্রে হায়খি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেট খরা অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদদি কোর্টশিংদা ঈ-ষ্টাম্প সিষ্টম অসি চৎনবা হৌখ্রে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রীম কোর্টকী ঈ-কম্মিটিনা পীখিবা দিরেক্সন অমগী মতুংইন্না হায় কোর্টশিংনা ঈ-ফাইলিং মে ১৫, ২০২০দগী হৌননবা খঙহনখিবসু লৈখ্রে। মসিগী মথক্তা মণিপুর কোর্ট ফিজ (মণিপুর এমেন্দমেন্ট) ওর্দিনান্স, ২০২০সু মাঙজৌননা লাউথোকখিবগা লোয়ননা ওর্দিনান্স অসিমক মে ২১, ২০২০দা মণিপুর গেজেটতসু ফোঙখ্রবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা চৎনদনা লৈরিবনা কোর্ট ফিজ এক্ট, ১৮৭০ অসি এমেন্দমেন্ট তৌনবগী থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়নসু ৱাকৎ চেরোলসিদা ফোঙদোক্লি।

লোয়ননা পি আই এল অসিগী পিটিস্নর ওইরিবী এল রেবিকা চনুগী মায়কৈদগী মণিপুরগী কোর্টশিংদসু ঈ-ষ্টাম্প অমসুং ঈ-কোর্ট পেমেন্টকী সিষ্টমশিং হৌদোকপীদুনা হায়রিবা ষ্টাম্প মখল অনী অসি ফংদবদগী মায়োক্লরক্লিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহনবীনবা মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরি (লো)দা ফেব্রুৱারী ১১, ২০২১দা অইবা চেরোল অমসু পীশিনখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক চেরোল অদুগী মতুংইন্না ঙসি ফাওবদা সেক্রেটরি (লো)গী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবক অমত্তা লৌখৎপীরক্ত্রে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

এপ্রিল ২৮দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পিটিস্নর অসিনা ফাইল তৌখিবা পি আই এল অসিদা মখা তানা কোর্টতা হায়জখিবশিংগী মনুংদা মহাক্কী পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্ট অনীসিদা নন-জুদিসল ষ্টাম্প অমসুং কোর্ট ফি ষ্টাম্পশিংগী মনুংদা ঈ-ষ্টাম্পগী সিষ্টম চৎনহন্নবা দিরেক্সন পীবীয়ু। অদুগা মহাক্কী পিটিসন অসিগী ফাইনেল দিস্পোজেল তৌদ্রিঙৈগী চৈরক্তা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী সেক্রেটরি (লো)দা পীশিনখিবা রিপ্রজেন্টেসন অদু খন্নহনবীদুনা অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা ওর্দর অমা থোকহনবীদুনা দিস্পোজ তৌহনবীয়ু হায়বসিনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পি আই এল অসি লৌশিন্দুনা মসিবু পি আই এল নম্বর-২৪ ওফ ২০২১ ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে। অথুবা মতমদা কোর্টকী মহৌশাগী থবক থৌরমশিং অমুক হন্না পাঙথোকপা হৌরক্লবা মতমদা মরী লৈনবা কোর্ট অসিগী দিভিজন বেঞ্চ অমদা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎলগা খন্নরবা য়াই হায়রি।

এম এল এ জয়ন্তকুমারগী মথক্তা তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসনগী...

লামায় ১গী মখা... সবমিট তৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৌদা মহাক্কী ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরগীদমক্ত তেঙানবা বেঙ্ক একাউন্ট অমা তঙাইফন্দনা হাংফম থোকই হায়রবসু হাংখিদে। লোয়ননা মহাক্না ফাইল তৌখিবা ইলেক্সনগী নোমিনেসন পেপরদা লোয়নরকখিবা এফিদেবিটশিংদা গভর্ণমেন্টকী দ্যুশিং লৈবা, গভর্ণমেন্টতা মহাক্কী কৈরাও বিত্রগী ৱাঙ্খেম ভিলেজদা লৈবা লমগী পীফম থোকপা রেভিন্যুশিং পীথোকখিদে। মরম অসিনা মহাক্কী মীরেপ ওইবগী নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌবদা লোয়নরকখিবা এফিদেবিট অদুঅরানবশিংনি। মরম অদুনা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মতুংইন্না রিটর্ন কেন্দিদেটনা অরানবা এফিদেবিটশিং ফাইল তৌখিবনা মহাকপু ১২-কৈশামথোং এ সীগী ইলেক্টেদ কেন্দিদেটনি হায়দুনা লাউথোকখিবা মীখল অদু চৎনহনফম থোক্তে হায়বসিনি।

ইলেক্সন পিটিসন অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েল থেঙ্খাং নাইনা চথরকখিবদা পিটিস্নর অমসুং রেস্পোন্দেন্ট অনীগী মায়কৈদগী ইলেক্সন পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) খরসু ফাইল তৌনরকপা লৈখ্রে। লোয়ননা চথরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী ৱায়েলগী মনুং চন্না হায় কোর্টনা এপোইন্ট তৌবা লোকল কম্মিস্নারগী মায়কৈদগী কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস, দিফেন্স ৱিটনেস য়াওনা ওফিসল ৱিটনেসশিংগী ষ্টেটমেন্ট লৌবগা লোয়ননা মখোয়গী এগজামিনেসনশিং পাঙথোকখ্রে। হৌজিক মখা তানা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী মতাংদা কোর্টনা ফ্রেম তৌবা ইস্যুশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা মসিগী ৱায়েল চথুগদবদা ঙাইশিল্লক্লে।

চৈরকসিদা ইলেক্সন পিটিসন অসি এপ্রিল ২৭, ২০২১দা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা লৌখৎলগা মসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক খন্নখ্রে। নুমীৎ অসিদা কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল এ গোল্লিগী মায়কৈদগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ ওইরিবা এল জয়ন্তকুমারগী মায়কৈদগী এগজামিন তৌগদবা ৱিটনেস ৬কী মনুংদগী ৪গী এগজামিনেসন পাঙথোকখ্রে। অদুগা লেমহৌরিবা ৱিটনেস অনীগীদি পাঙথোক্লরোই হায়বা ৱাফম কোর্টতা সবমিট তৌখি।

রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা কোর্টতা মখা তানা তৌখিবা সবমিসন্দা কেস অসিগীদমক খন্ননবা শেল্লবা ইস্যুশিংগী মনুংদগী ইস্যু নম্বর- ২ গা মরী লৈননা রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী ওফিসলসু এগজামিন তৌগদবনি। মসিগী মতাংদা মহাক্কী মায়কৈদগীসু কোর্টতা এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌখিবা লৈখ্রে হায়খি।

রেস্পোন্দেন্টশিংগী মহুৎ শীন্দুনা লেপ্লিবা কাউন্সেলগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অসেম মোহেন্দ্রোনা কেস অসিগীদমক ওগষ্ট ৮, ২০১৯দা ফ্রেম তৌখ্রবা ইস্যু নম্বর-২গী মতাংদা মহাক্কী মায়কৈদগী কোর্টতা তকশিনবা ৱাফমশিং লৈরোইদবনা অসিগুম্বা মখলগী এপ্লিকেসন অসিদি ফাইল তৌরকপগী মথৌ তাদে হায়বা ৱাফমশিং সবমিট তৌখি।

কোর্টনা পার্টি অনীমক্কী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা মাঙজৌননা শেমখ্রবা ইস্যুশিংগী মনুংদা ইস্যু নম্বর-২ অসি খন্নরোইদবনা কেস অসিগী অপূনবা ইস্যু ৩গী মনুংদগী হায়রিবা ইস্যু অসি লৌথোক্লে হায়খি। লোয়ননা ৱাৎহৌরিবা কেস অসিগী ৱায়েল চথরকপদা শুপ্নতগী ইস্যু নম্বর-১ অমসুং ইস্যু নম্বর-২ খক্তমক খন্নরগনি হায়নসু নাকল অনীমক্কী কাউন্সেলশিংদা খঙহনখি। লোয়ননা হায় কোর্টকী রেজিষ্ট্রিদা কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু) অমসুং দিফেন্স ৱিটনেস (দি দব্লিয়ু)শিংগী পাঙথোকখিবা দিপোজিসনশিংগী রেকোর্দ তৌরব্রা নৎত্রগা তৌদ্রিবরা হায়বদু ভেরিফাই তৌননবা দিরেক্সন পীখি। করিগুম্বা পি দব্লিয়ু অমসুং দি দব্লিয়ুশিংগী দিপোজিসনশিং অদু রেকোর্দ তৌরম্লগদি মসিগী কোপীশিং কেস অসিগী পার্টিশিংগী মায়কৈদ লেপ্লিবা কাউন্সেলশিংদা এপ্রিল ২৭,২০২১দগী পারগা নুমীৎ ১০নিগী মনুংদা পীননবা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা হৌজিক শুপ্নতগী ইস্যু অনীখক্তা ঙাইরবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী হিয়রিং জুন ৪, ২০২১দা পাঙথোক্লনবা অমুক হন্না কেস অসি লিষ্ট তৌগদবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, ইলেক্সন পিটিসন নম্বর-১১ ওফ২০১৭ অসিগী পিটিস্নর ওইরম্বা এল ইবোমচা জন্যুৱারী ২৩, ২০২১দা খঙহৌদনা লৈখিদবনি। মহাক লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী লোয়নবী য়েন্দ্রেম্বম ইন্দিরা (৬৬)না মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর-১৩ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরক্তুনা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫০গী সেক্সন ১১২ (৩)গী মতুংইন্না মহাকপু ইলেক্সন পিটিসন অসিগী সবষ্টিট্যুটেদ পিটিস্নর ওইবদা অয়াবা পীবীনবা হায়জরকখিবনি। মহাক্কী প্রেয়র অদু হায় কোর্টনসু অয়াবা পীবদগী হৌজিক লৈখিদ্রবগী লোয়নবীনা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী সবষ্টিট্যুটেদ পিটিস্নর ওইরবনি।

অমরোমদা, ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দগী মাইবম শরত (৬৮), অপোকপা এম ব্রজবিধুগী মায়কৈদগীসু মহাকপু ইলেক্সন পিটিসন অসিগী সবষ্টিট্যুটেদ পিটিস্নর অমা ওইহনবীয়ু হায়জরকখিবদা হায় কোর্টনা অয়াবা পীবদগী মহাকসু হৌজিক কেস অসিগী সবষ্টিট্যুটেদ পিটিস্নর অমা ওইরবনি।